# পিএম মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা ক্রোর লাক্ষ ৩.৮৪ চাদিং তৌখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপদা কুমজা ২০১৪-১৫ চহীদগী হৌজিক ফাওবদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ৩.৮৪ হেন্না চাদিং তৌখ্রে হায়না রিপোর্টনা হায়রি।



রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না নন-একজেমটেদ সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রি অমসুং তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ৫৫ না অসাম য়াওনা লমদম অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবগীদমক মখোয়গী গ্রোস বজেটরি সপোর্ট (জি বি এস) কী চাদা ১০ চাদিং তৌখি।

রোদ কন্নেক্টিবিটি, এয়র কন্নেক্টিবিটি, রেলৱেস নেটৱার্ক, ৱাটরৱেস, টেলিকোম অমসুং পৱারগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ৩,৮৪,৪২৬ চাদিং তৌখি।

কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর ফাওবদা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেসনা হৌখিবা চহী তরেৎকী মতমদা লমদম অসিদা কিমি ৪,১২১ গী লম্বীগী প্রোজেক্টশিং মপুং ফানা লোইশিনখি।

লুপা ক্রোর ১,০৫,৫১৮ কী ওইগদবা কিমি ৭,৫৪৫ শাংবগী প্রোজেক্ট কয়া অমসু হৌজিক হৌজিক পায়খৎলি। অৱাং নোংপোক লমদমদা হৌজিক পায়খৎলিবা মরু ওইবা লম্বীগী প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা নাগালেন্দগী দিমাপুর-কোহিমা রোদ কিমি ৬২.৯ শাংনা লেন্দ মরি ওন্থোকপা, অরুনাচল প্রদেশকী হোলুমগী ফাওবগী ওইবা নগাউন বাই পাসকী কিমি ১৬৭ শাংবা লম্বী লেন্দ মরি ওন্থোকপা, সিক্কিমগী বগ্রাকোটেদগী পাটয়োং ফাওবগী কিমি ১৫২ শাংবা লম্বী লেন্দ অনীগী হায়ৱে ওইহনবা অমদি মিজোরামগী কিমি ৩৫২ শাংবা লেন্দ অনীগী আইজোল-তুইপাং এনএৈচ-৫৪, এনএৈচ ৩৯ গী কিমি ২০ শাংবা লেন্দ মরিগী ইম্ফাল-মোরে সেক্সন অমসুং লেন্দ অনীগী কিমি ৭৫.৪ শাংবা লম্বী অসি য়াওরি।

কুমজা ২০১৪-১৫ চহীদগী গভর্ণমেন্টনা অনৌবা ট্রেক্টশিং শেমগৎ শাগৎপা অমসুং হান্না লৈরম্লিবা লাইনশিং দব্লিং তৌবদা পুন্না লূপা ক্রোর ১৯,৮৫৫ চাদিং তৌখি। হৌজিক হৌজিক কিমি ২০০০ হেন্না শাংবা লম্বীগী থবকশিং তোঙান তোঙানবা প্লানিং এপ্রুবেল/একজিকুসনগী ষ্টেজ শিংদা লৈ হায়রি।



কাংপোকপী অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তিংফাই অমসুং লৈশান (তনরুই) চীংশাং নাপোমদা একর ২৫ দা থারম্বা পোপি পাম্বীশিং য়াম্থৎখিবা

# বাংলাদেশতগী রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং নারোনদা পুথোরকখিবদা চেন্নবা ত্রিপুরাগী মীওই অমা ফারে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

অসাম অমসুং ত্রিপুরা পুলিসকী অপুনবা ওপরেসন অমদা বাংলাদেশতগী রোহিংয়া রিফ্যুজিশিং লোনা য়াদবা মওংদা পুথোরকখিবদা চেন্নবনি হায়বা সাউথ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী নহা ওইরিবা মীওই অমা ফারে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না জোইন্ট ওপরেসন অদুদা ফাখিবা দিপাঞ্জন বাইদিয়া কৌবা মীওই অদু সাউথ ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী হিরিয়া সুমুক এরিয়াদগীনি। মহাক করিমগঞ্জতগী রোহিংয়া ট্রাফিক্কর অমা ফারবা মতুংদা মহাক্কী মমিং খঙলকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা ফাখিবনি।

মহাক্কী মমিং পুলিসনা ফাগৎখিবা ফোনশিংগী মনুংদা অমদা য়াওরম্বা থেংনখি। সস্পেক্ট অসি মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক করিমগঞ্জতা পুখ্রে। পুলিসনা বৈদ্যাগী য়ুমদা ছর্স ওপরেসন অমসু চথখি। হাৎনা শুনবা অমদি তাথি তাওইনা তৌবগী থৌদোক কয়ানা মরম ওইদুনা মশিং য়াম্লবা রিফ্যুজিশিং ম্যান্মারদা লৈবা মখোয়গী য়ুমশিংদগী চেন্নরকপদগী লমদম অসিদা রোহিংয়াগী ক্রাইসিস অসি কনখৎলকখি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা রোহিংয়া রিফ্যুজি কয়া ইন্দিয়ানা লোনা য়াদবা মওংদা ট্রাফিক্করশিংনা পুশিল্লকখি। মীওই কাওলুপ অসিনা অৱা অনা কয়া নঙলিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা ট্রাফিক্করশিংনা মখোয়বু লৈফম অমদি থবকনচিংবা খুদোংচাবশিং ফঙহনগনি হায়না মোইথেম তৌদুনা ইন্দিয়াদা পুরকখিবনি।

দিপাঞ্জন ফাবগা লোয়ননা পুলিসনা হৌজিক ট্রাফিক্করশিংগী নেটৱার্ক অপুম্বা থিজিনবা হৌরে। দিপাঞ্জনবু ফারিবসি সপ্লাই চেন কন্ট্রোল তৌনবগী মায়কৈদা থাংলকপা পুলিসকী অহানবা খোঙথাংনি হায়রি।

# ইল্লিগেল কোল মাইনিং কন্ট্রোল তৌনবা সি আই এস এফ কম্পেনি তরা দিপ্লোই তৌনবা গভর্ণমেন্টদা কোর্টনা খঙহনখ্রে

শিল্লোং, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):

মেঘালয়দা চথরিবা ইল্লিগেল কোল মাইনিং অমসুং কোল ট্রান্সপোর্টেসন কন্ট্রোল তৌনবা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ) কী কম্পেনি তরা দিপ্লোই তৌনবা মেঘালয় হায় কোর্টনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টদা দিরেক্সন পীখ্রে।

ষ্টেট অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা চথরিবা কোল মাইনিং অমসুং ট্রান্সপোর্টেসন লাকশিন্নবা সি আই এস এফকী কম্পেনি ১৬০ দিপ্লোই তৌনবা পুখৎলকখিবা মেঘালয় গভর্ণমেন্টগী প্রপোজেল হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি।

দিপ্লোইমেন্টকী থৌরাং অদুনা ষ্টেট অদুবু লুপা ক্রোর ৩০০ হেন্না চাদিং তৌহনগনি হায়রদুনা হায় কোর্টনা গভর্ণমেন্টগী প্রপোজেল অদু কা হেন্না চাওমল্লি হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা পি আই এল অমগী হিয়ারিংদা চীফ জষ্টিস সঞ্জিব বেনর্জিনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, মদুদি ষ্টেট অদুগী অপুনবা এরিয়া অদু য়েংলগা ভেহিকলশিং চেক তৌবা অমদি লোনা য়াদবা মওংদা কোল পুথোক পুশিন তৌরিবদু মপুং ফানা থিংবদা সি আই এস এফকী কম্পেনি তরানা মতিক চাগনি হায়না লেপ্লে।

ষ্টেট পুলিসকী কন্ট্রোল মখাদা ফঙ্কসন তৌবা সি আর পি এফকী মহুত্তা মনিং তম্না ফঙ্কসন তৌবা সি আই এস এফনা পোৎ-চৈগী গাড়ীশিং চেক তৌবসু য়াওরিবা থবক অদুবু পায়হনবদা হেন্না মতিক চাগনি হায়না হায় কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা দিরেক্সন পীখি।

কোর্টকী ওর্দর অদুনা হায়রিবদি সি আই এস এফনা গাড়ীশিং চেক তৌবগা লোয়ননা লোনা য়াদবা পোৎশকশিংসু চেক তৌদুনা পোৎচৈ পুথোক পুশিন তৌরিবা গাড়ীশিং অদুগী অরুম্বগী লিমিটশিংগী ৱাংমদা ষ্টেট অদুদা চেলহন্দনবগী থবক পায়খৎকদবনি।

কম্মিটি অমা লুচিংলিবা হান্নগী জজ জষ্টিস (রিটয়ার্দ) বি পি কটাকেনা ১১ শুবা ইন্টরিম রিপোর্ট ফাইল তৌখি। রিপোর্ট অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা কোর্টনা মখা তানা মসিগী দিরেক্সনদা মরু ওইবা মফমশিংদা জষ্টিস কটাকেগা তান্নরগা কম্পেনি তরা দিপ্লোই তৌগদবনি হায়না পনখি।

সি আই এস এফ দিপ্লোই তৌগদৌরিবদু পেমেন্ট বেসিসতা ওইগনি হায়না পল্লদুনা কোর্টনা হায়খি, মদুদি চঙগদৌরিবা শেনফম অদুগী মতাঙদা ষ্টেট অমসুং সেন্টর অনী নিগোসিএসন তৌনগদবনি।

মেঘালয়দা লোনা য়াদবা মওংদা কোল পুথোক পুশিন তৌবা লাকশিন্নবগীদমক্তা দিপ্লোই তৌগদৌরিবা সি আই এস এফকী কম্পেনি তরাগী লোজিষ্টিক্স অমসুং ফোর্মেলিটিশিং শোয়হন্দনবা কোর্টনা দিপ্যুটি সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া ডা. মোদিকাদসু দিরেক্সন পীখ্রে।

সি আই এস এফকী কম্পেনি তরা দিপ্লোই তৌগদৌরিবদু মেঘালয় গভর্ণমেন্টনা সাইন্টিফিক মাইনিং য়াহন্দ্রি ফাওবগীনি হায়না পল্লদুনা কোর্টনা হায়খি, মদুদি লোনা য়াবা মওংদা মাইনিং তৌবগী লাইসেন্সশিং পীবনা ইল্লিগেল কোল মাইনিংগী থবক লেপহনবদা মতেং পাঙগনি। কোর্টনা মথংগী হিয়ারিং মার্চ ২০ দা লেপখি।

# এস ই বি এগী চিয়ারমেন ফম থাদোক্লবা আই এস ওনা দিমান্দ তৌখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ (এজেন্সি):



সেকেন্দরি এদুকেসন অসাম (এস ই বি এ) না একজাম অমা খঙহৌদনা কেন্সেল তৌখিবগী মায়োক্তা মখা তানা প্রোটেষ্ট চথরিবা ইন্দিয়ান ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (আই এস ও) না বোর্দকী চিয়ারমেন ফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

আই এস ওনা পোষ্টরশিং অমসুং বেন্নরশিং থেৎতুনা এস ই বি এগী চিয়ারমেন আরসি জ্যেন ফম থাদোক্লবা তকশিনখ্রে হায়রি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা হায়রিবদি হন্দক্তা ক্বেসন পেপর লিগ ওইখিবা অমদি ইখঙ খঙহৌদনা একজাম অমবু কেন্সেল তৌখিবগী থৌদোকশিং অসিনা মখোয়বু থম্মোয় শোকহল্লে। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন, অসাম (এস ই বি এ) গী চিয়ারমেন আরসি জ্যেন মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্লবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না ওর্গনাইজেসন অদুগী ভাইস প্রসিদেন্ট অব্দুল কলাম অজাদনা ফোঙদোকখি।

কলামনা হায়খি, মদুদি মার্চ ১৩ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রবা জেনরেল সাইন্স একজাম খঙহৌদনা কেন্সেল তৌখিবা অদুনা অসামগী মহৈরোয় লিশিং কয়া অমদি মখোয়গী ইমুংশিংবু শোকহনখি। খোঙথাং অদুনা মহৈরোয়শিং অমদি মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিং অদুক্কী মতিক ৱাখল নুংঙাইহনখিদে।

আই এস ওগী অসাম ষ্টেট প্রসিদেন্ট দুলাব টলুকদারনা হায়খি, মদুদি বোর্দনা সেক্যুরিটিগী থৌরাংশিং লৌখৎলক্তবা অমদি ওথোরিটিশিংনা থৌশাদবগী ফিভমশিং অসিনা ঐখোয়বু অদুক্কী মতিক পেলহন্দ্রে। ঐখোয়না অসাম গভর্ণমেন্টদা পেপর লিক ওইহনখিবদা চেন্নবশিংগী মায়োক্তা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিল্লি।

# বি জে পিগী দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক্লা ...

*লামায় ১গী মখা...* পায়বা বেনিফিসরিশিংগী বাইওমেট্রিক নোটিফিকেসন তৌরবা মতুংদা হায়রিবা চেঙশিং অসি ফংহনগদবনি হায়বনি। অদুম ওইনমক ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা লৈতবা মফমদদি বাইওমেট্রিক লৌবদা খুদোংচারোইদবনা হায়রিবা মফমশিং অদুগী অখন্নবা কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা ফংফম থোক্লিবা বেনিফিসরিশিংদা চেঙ ফংহন্নবগী থবক লৌখৎনবসু খঙহনখিবনি।

অদুবু হায়রিবা ইন্সত্রক্সন অদুগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি হায়খি। মরম অসিনা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১দগী হৌরদুনা মীয়ামদা লেম্না ফংহনগদবা চেঙশিং ফংলরোইদ্রা হায়বগী মিপাইবা পোক্লরে হায়খি।

ৱাঙাঙলোই অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈগী মতমদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট লোইশিন্দুনা চীংখৈ চীংদা শেমগৎলিবা ৱাটর রিজার্ভর অসিগী অয়াম্বা শরুক লোইশিল্লম্লবনি। অদুবু হৌজিক চহী ৬/৭ হেল্লক্লবা ফাওবদা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমদ্রি। করিগুম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরম্লবদি হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্লরিবা ঈশিংগী অৱাবা অসি লৈরম্লোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# খুদক্তা মণিপুর পোপ্যুলেসন কম্মিসন...

*লামায় ১গী মখা...* মরমশিং অসিনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মায়োক্লরক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুর লেন্দ রেভন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট, ১৯৬০বু মণিপুরগী মফম পুম্নমক্তা চপ মান্নবা লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনগদবনি হায়খি।

ফোক্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরক্তুগদি ফোক্সনা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিং অমসুং মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনবগী তঙাইফদবা লাক্কনি হায়খি। মরম অসিনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্টনা ঐখোয় পুম্নমক য়েলহৌমীশিংনি হায়বগী ৱাখল চেনবগা লোয়ননা ফুরুপ অমখক্তগী অনীংবা অপাম্বদা অতোপ্পশিংদা শোকহনগদবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলোইদবনি হায়নসু আপীল তৌখি।

# CROSSWORD-3813



## ACROSS

1. Charitable donations(4)
3. National emblem of Ireland (8)
9. Obstacle(7)
10. Long, pine(5)
11. Commencement(5)
12. Zealous(6)
14. UK tax collectors(6,7)
17. Science of light(6)
19. Bare(5)
22. Combine(5)
23. Slope(7)
24. Age of majority(8)
25. Supreme god of ancient Greece (4)

## DOWN

1. Food of the gods(8)
2. Female horses(5)
4. County of Watford and Ware(13)
5. Municipal leader(5)
6. Formal speech(7)
7. Monarch(4)
8. Young cat(6)
13. Unnecessary(8)
15. Plover(7)
16. City of canals(6)
18. Incompetent(5)
20. Cutting implement(5)
21. Summer month(4)

Solution 3812



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-5111

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 2 | | | | 9 | |
| | | | | | | 8 | | 3 |
| | | 2 | | 7 | 9 | | 4 | |
| | | | | 3 | | | 8 | 6 |
| | 2 | 5 | | | | 3 | 7 | |
| 8 | 4 | | | 1 | | | | |
| | 1 | | 3 | 8 | | 5 | | |
| 3 | | 8 | | | | | | |
| | 9 | | | | 7 | | | |

## Solution-5110

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 4 | 6 | 9 | 5 | 7 | 1 | 2 | 3 |
| 3 | 7 | 9 | 2 | 8 | 1 | 6 | 4 | 5 |
| 2 | 1 | 5 | 3 | 4 | 6 | 8 | 7 | 9 |
| 6 | 9 | 8 | 7 | 1 | 5 | 4 | 3 | 2 |
| 1 | 3 | 7 | 4 | 6 | 2 | 9 | 5 | 8 |
| 5 | 2 | 4 | 8 | 9 | 3 | 7 | 1 | 6 |
| 7 | 8 | 1 | 5 | 2 | 9 | 3 | 6 | 4 |
| 9 | 6 | 2 | 1 | 3 | 4 | 5 | 8 | 7 |
| 4 | 5 | 3 | 6 | 7 | 8 | 2 | 9 | 1 |

# EMPLOYMENT NEWS

## SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023
Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NORTHEAST FRONTIER RAILWAY RECRUITMENT 2023 FOR FEMALE DANCER, TABLA PLAYER

Vacancy Circular No: 01/2023

Northeast Frontier Railway (NFR) Female Dancer, Tabla Player Recruitment 2023
Advertisement for the post of Female Dancer, Tabla Player in Northeast Frontier Railway (NFR). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21st March 2023. Candidates can check the latest Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment 2023 Female Dancer, Tabla Player Vacancy 2023 details and apply online at the nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment 2023 page.
Northeast Frontier Railway (NFR) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nfr.indianrailways.gov.in/. Northeast Frontier Railway (NFR) selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of nfr.indianrailways.gov.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Female Dancer, Tabla Player
Job Location:
Guwahati, Kamrup, 781011 Assam
Last Date: 21st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 02 Posts
Educational Qualification: Candidates Should have 12th (+ Stage) or its Equivalent Examination with not less than 50% Marks
Pay Scale:
INR
144200/- Per Month
Age Limit: 18-30 Years.
Application Fee:
For All Candidates - Rs.500/-.
SC / ST / Ex-Servicemen, PwBD, Women - Rs.250/-.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications should be sent to Northeast Frontier Railway (NFR) office. Send your fully filled applications to
Senior Personnel Officer (Recruitment)
Office of the Principal Chief Personnel Officer,
Northeast Frontier Railway HQ, Maligaon,
Guwahati - 781011 (Assam), India. (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.26).
Important Dates:
Published on: 8th March 2023
Last date for application is: 21st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম







